# নোং ঙালহনবীরো, খোইমোম লাইনিংথৌসু য়াওনবীরো নমু তাইবঙশিংসু মীকপ থোক্লনবা

-ডা. নোংমাইথেম প্রমোদিনী -

*চীংঙু খোইমোম লাইনিংথৌ*
*ইনুং ঙাল্লে য়াওল্লে*
*হাওরৈ নোংপোক পাংবদা*
*সনা চীংদোমপোক্তগী*
*মঙাং গুরু চাকৱায়রে*
*কোরৌ নোংদোন ৱাংলক্লে।*
*... ... ...*
*ক্বাক্লা লানবাউ চেনবদা*
*ময়িম পোইরৈ মৈতৈনা*
*ইনুং ঙাল্লে খঙনৈয়ে।*
*... ... ...*
*নুমিৎ সনা পুরুময়েন*
*কাইরৈ য়েন অঙৌবনা*
*নুমিৎ নঙবু থোরক্লো*
*থবী নঙবু কারক্লো*
*অঙান নঙনা থোক্তুগা*
*তরা চেঙখুন উদেদা*
*পুংজা খুদিং খোংবচেক*
*ইনুংবদা কেক্রেক কেক*
*ইনুং ঙাল্লে খোংলক্লে*
*চীংঙু নঙবু য়াহৌরো।*

য়াকৈরোলসিনা হায়রি, তাইবঙ শেন্বা মপুগী শিন্থা কায়বা য়াদে। মতিক ময়াই লৈরবা থায়নগী শৈরেং অসিবু ইকায়খুম্নরদবু অমম্বা ফত্তবা মশক মচু থোক্তবা ৱাখলকাদু হায়জিনবা ঙম্বে ৱা লৈতে। অহিংগী মতম লোইখিদুনা অঙানবনা খোঙদোইরকপদা তাইবঙ মপুবু শোঞ্জবা অমদি মাগী মতিক ময়াই শৈথাজবগা লোয়ননা পঙনা পানবা তাইবঙপানবু লমজিং লমতাকপীনবা থৌনিজৈ। অচৎ চত্ত লেঙলি পাল্লিবা পূম্নমক্লা মপুগী শিন্থা কায়দনা পাঙথোক্লি। অয়ূক অঙনবদা মরিংগী য়েনবানা খোংলকপা, চরোই তেতুনা নিল্লকপা, ক্বাক্লা লানবাউ চেল্লকপা, পূম্নমক অসিবু মপু মাগী থৌদা ইল্লিবা নৎত্রনে? তাইবঙ মীওইবা ঐখোয়সে কাউজন থিরিবা হায়দুরা শেন্বীবা মপুবু থৌশাদবা মতাং হেক হেক লাকই, শীংনৈ। মহৌশাগী খোঙচৎ কায়হল্লি। ইশম শম্না তাইবঙ শেবাৎনৈ।

মণিপুর মীয়াম্না অনম অহা চুবদৌনা লৈরক্লিবসে কুইরে। অয়ূক নোংঙানবগী পোন্বী চেক্লানা শকপা শৈশক্কী মহাউ খঙদবগুম্লে, কোভিদনা নারবা মীওইনা চাক এঞ্জাংগী মহাউ, মনম ফাওদবগুম। নোংপোক চীংখৈদগী তঙাং-তঙাং খোঙদোইরকপা কোরৌহনবগী মেঙলবা মঙানগী চন্নফম লৈতবগুম্লে। অফক অফাই চুদুনা লৈরকপা কুইরে। চীংঙু খোইমোম লাইনিংথৌদি য়াওনখ্রে। মচা মনাই ওইবা নমু তাইবঙ মীওইবশিংদি মঙলাক্লদুনা লৈরি। মঙফাওনহনবদা খরা লুনা থোকখিদৌরি। লাইওইখ্রবা ইপা ইপুশিংনদি মীপান তাংদনা হিংনবগী লন্বী য়াৎপীরম্মী। সনাগী কৈরাকসু থাবীরম্মী। অদুবু ঐখোয়না কাবা ঙমদে। কাগে হোৎনবগা নান্থবনা হাল্লি। চিংথনবা হোৎনবসু কোঙ্গায়নি। কোরৌগী মঙান্দা মীৎ উইশিল্লগা মা মাদুনা চৎলি, থাশিগী অহিংদা লেপ্তুনা চুথরকপা নোংনা লৈখোম থোকহল্লবা লন্বীদা চৎপগুম্না। ৱাখল থোক্তে, লৌশিং খোঙ্গাওনদুনা থম্মী। পাঙ্গল থোক্তবগুম্বা তুশোন মানশোন্নরিবসিবু করিগীনো? সনা থোকউ থোকপা, হী-য়াই পেক্কে পেকঙন্বা ৱাত্ত পাদবী ইরৈবাক্লি হায়বসি নীংশিংদবগুম্লে। নিরগা চাবগী হৈনবীনা পাঙ্গল লৌশিং পূম্নমক ময়াই চমহনখ্রব্রা? নোংলৈ নুংশিৎ মরক্তা ঈথক ঈপোম হৌরবা ঈপাক ঈরেন অচৌবদা হিরোই য়াওদবা হিদা তোংবগা পাংখক ওইরি। ফীভমসিনা অসুম্মক হৈনদুনা লৈরবদি নোংমদি লূপখিবা শোয়দ্রবনি। ফনা য়াম্না হৈরে শিংলে হায়দুনসু মতিং ফুদোকপা ঙন্বা মীগী মশীং কয়া য়াম্না লৈরিবগে? ঐ ঐখক্কী হায়বা ৱাখলসিদা লাইচুরবা ময়াম্না খুল্লিংবা খুন্নাই অমা ওইরক্লব্রা হায়বগী অকিবা লৈরে হায়বদা হায়মনবা থোক্লরোই। মীয়ামগীদমক হিংজগে হায়বা লৈঙাক্লোয় কনা য়াওরিবগে? অফবা লৈঙাক শেন্বা শেমদবা মীয়ামগী খূত্তা লৈ হায়না খঙবা মীগী মশীং ৱাৎপনরা নৎত্রগা করি করিনা থমাইখিবনো, কৈনোমা তৌরি। শীৎহৈদবা নুংশিৎ শীৎলি। লৈঙাক চূপ্লি পায়বশিংসু মখোয়বু মীহুৎ ওইনা থাগৎলিবা মীয়াম্না দেমোক্রেসিগী চপ চাবা ৱাহন্থোক খঙলদবু পোলিটিক্স ফাগি তারিবসি তাখিদ্রা? খুন্নাই অমা চাওখৎপা চাওখত্তবা হায়বসি লৈঙাক্লোন অদুগী মখা পোল্লি। ঐখোয়গী লৈঙাকলোনগী ফজবা নিংথিজবদি শীংথাবগী লোইবা নাইরোই, থবক্তা ওন্থোরকপদা কাং খোং চাইবৈ ৱা খক্তনি। মসি ঐখোয়না থোকহঞ্জবনি।

তরানিথোইশুবা মণিপুর লেজিসলেটিভ মীখল ৱাৎশিল্লক্লে। ইমা মণিপুরসে মশেক মঙান নাইহনসি হায়রবদি মীয়ামগী খূত্তা লৈরিপোৎনি। চহী মঙা মঙাগী মনুংদা অমুক্তং ফংবা ফজরবা তাঞ্জা অসিবু ইরায় লায়থোক্তুনা থোকঅ-থোকঅবা অমা লাকচগনি হায়বদুনদি ওইবা য়াগনি থাজদে। হৌজিক মণিপুরদা অনৌবা ৱাখল ঈহৌরকপা অনৌবা য়েন্নিং হুনবগী মথৌ তারে। স্পোর্টসকী পৱার হাওসনি হায়রগা মসি চাওখৎনবা করম্বা অথোই অহেনবা থৌরাং পায়খৎলবগে? আর্ট অমসুং কলচরনা মালেমদা শক তাক্লিবনি হায়দুনা নাপল পংতৌদা তৌই। মসিবু য়োকখৎনবা হীরম অসিদা চেন-চোংজরিবশিংবুদি থৌশাবীদে। অখন্নবা মীওই অহুম মরিদা এৱার্দ মচা অমা অনী পীবনদি মসিবু য়োকখৎচনীংবা নুংশিজবশিংদা থৌনা মপূং ফানা পীরে হায়বা য়ারোই। অতোপ্পা ষ্টেটতগী পুশিল্লক্লিবা চেঙ, আলু, তিলহৌ, হৱাইনচিংবসি ইশাগী ওইনা মরাং কায়না পুথোকপা ঙম্ননবা লৌউ-শিংউ চাওখৎনবা তুং কোইবা থৌশিল পায়খৎপা মতম হেন্দোক্লবনি। ঈথৈ লৌখোংগী ৱাসিসু খল্লুবদা কোক চীকই। ইন্দষ্ট্রিগী মতাংসিদি মমাঙদসু পঞ্জখ্রে ইকায়বা পোকই। আ তুংদা তুংখমদা হায়দুদা তারে। লৈঙাক্কী থৌশিলদসু অদুমঙায়, পিকখ্রবা মণিপুরসিদা লৈঙাক অনী শুগদৌরেগা করিগা ৱাথোক লান্থোক থোকপা য়াবা ময়াম অমা মরী মরী হেক্তমক লাকই। দ্রগকী ৱাথোক্লা মরোন অমা, ককথৎ ককথৎলগা মতোন অসুম অসুম চোংখৎলকপগুম তৌরি। কেন্সর মরা তাখিবগা চপ মান্নরে। পঙহোত্তমক হোৎনবা লোইশিনফম খঙদবগী ফীভমনি। মীসু লাইসু চপ মান্নরে হায়বা নত্তবা অতোপ্পা ৱাহৈ অমা লৈরক্তে। অনৌবা অহোংবা য়াইফবা মণিপুর অমা ওইহন্নবা পঞ্জখ্রিবা হীরম খুদিংমক্তা তুং কোইবা থৌশিল শেন্বা পোরম পোমিৎ য়াৎপা ঙন্বা মীহুৎশিংনা শেন্বা মতিং লৈবা লৈঙাক অমা লৈবগী মথৌ তারকই। ঐখোয়গী মীহুৎশিংসে হায়রিবা মতিক ময়াইশিং অসি চপ চানা য়াওই-য়াওদে হায়বসি অয়াম্বনা খঙনরবনি। লাক্কদৌরিবা মীখলদা করম্বা মীওই থাগৎসিগে হায়বসি মীয়াম্না য়াম্না মুন্না খন্থবা মতম ওইরে। মাগী মাগী পোলিটিকেল পার্টিগী প্রিন্সিপলস অমসুং আইদিওলোজি মমুৎ তানা খঙবা, লৈঙাক্লোন মনুং থিৎনা নৈনরবা, থম্মোয় শেংবা মীহুৎ খনবগী ঐখোয়দা হক লৈ। মসি লান্না শীজিন্নফম থোক্তে। মীরেপ অমা থোরকপদা ***মা পৈশা পায়দে, ভোট মঙামকসু ফংলোই*** হায়বগী হৈনবীসি থাদোক্ত্রিবমখৈ ঐখোয় অদুম্মক ৱাখিগনি। লুপা চামঙা চৎপী খরগা ঐখোয়গী চহী মঙাগী লাইবক্কা ওন্নবসে ইকায়ফম থোকপনি। ***চীংঙু লাই-ও ইনুং ঙাল্লে য়াওল্লো/তাইবঙ মী ঐখোয়গী কোকশিংসে অহিংদমক ওইদুনা লৈহল্লনু নোং ঙালহনবীরো কৈদৌগে/কোরৌহনবগী মঙালনা পূক্লিং ৱাখল পূমঙাল ঙালহনবীরো।*** অসুম্না হেক হায়নীংলকই। ●

---

## ষ্টেটকী পাউ

### এন্ত্রান্স টেষ্টকী রিজল্ট হায়দোক্লে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৩ (ঐচএনএস): চৎলিবা একাদেমিক সেসন ২০২১-২৩গী ওইনা দি এম কোলেজ ওফ টীচর এদ্যুকেসন ইম্ফালগী এম ঈ দি এন্ত্রান্স টেষ্টকী রিজল্ট হায়দোক্লে। মায় পাক্লবা মহৈরোয়শিংনা লাক্লিবা চৈচৎ ১৬কী অয়ূক পূং ১১ দগী নুংথিল পূং ২ ফাওবা মনুংদা কেম্প অসিগী ওফিসতা কাওন্সেলিং পাঙথোক্লগনি। মরম অদুনা দি এম সী টি ঈগী এম ঈ দি এন্ত্রান্স টেষ্টতা মায় পাক্লবা কেন্দিদেটশিংনা মরী লৈনবা দোক্যুমেন্টশিং পুরক্তুনা মতম চানা শরুক য়ারনবা হায়রি।

পাঙথোক্কদৌরিবা কাওন্সিলিং অসিগীদমক মায় পাকখ্রবা কেন্দিদেটশিংনা অকূপ্পা মরোল কোলেজ অসিগী www.dmcte.ac.in দগী খঙলবা য়াগনি হায়না প্রিন্সিপাল এ কে সুরোধোনিনা থোরকপা চেরোল অমদা ফোঙদোরক্লি।

### ৫৯শুবা মিষ্টর মণিপুরদা মনা ফংলকখ্রবা শান্নরোয়শিং শৈখ নুরুল হাসননা ওকখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৩ (ঐচএনএস): শান্ন- খোৎনবদা মায় ওনশিল্লসি মিসনগী শরুক অমা ওইনা এন পি পি মণিপুরগী জেনরেল সেক্রেটরি (ওর্গনাইজেসন) অমদি ক্ষেত্রিগাউ এ সীগী ইন্টেন্দিং কেন্দিদেট শৈখ নুরুল হাসননা হন্দক্তা পাঙথোকখিবা ৫৯শুবা মিষ্টর মণিপুর ২০২১দা মেন্স স্পোর্টস ফিজিকতা অনীশুবা মনা লৌরকখ্রবা ক্ষেত্রিগাউ এ সীদগী এমদি ফজিরুল হক অমদি কেজি ৬৫গী কেটাগোরি বোদি বিল্ডর মিষ্টর মণিপুরদা অনীশুবা মনা ফংলকখ্রবা সকিবুর য়ুমখাইবম অনীবু মহাক্কী য়ুমদা হরাউ-তরাম্না ওকখিবগা লোয়ননা শেলগী মতেংসু পাংখ্রে হায়রি।



তরাম্না ওকপগী থৌরমগী ৱারোল পীরদুনা শৈখ নুরুল হাসননা ফোঙদোকখিবদা শান্ন-খোৎনবদা মায় ওনশিন্দুনা তিঞ্জং কায়জংদবা খুন্নাই অমা শেম্নবা হোৎনবদা ঐখোয় পূম্নমক্কী থৌদাং লৈ। বোদি বিল্ডর অনী অসিনা মিষ্টর ইন্দিয়াদা শরুক য়াবা চৎপগী ফ্লাইট টিকেট স্পোন্সরসু তৌগনি অমদি অঙন্বা শেলগী মতেংসু পাংগনি হায়না ফোঙদোকখি। শান্নরোই ওকপগী য়াম্না চন্না পাঙথোকপা থৌরম অদুদা এন পি ৱাই এফ মণিপুরগী জেনরেল সেক্রেটরি (আই পি আর) কমরান শৈখ অমদি কে আই ৱাই সীগী প্রসিদেন্ট নসিরুদ্দিন খাননচিংবা মীওই কয়াসু শরুক য়াখি।

### সোবিদনা মোলকোনগী লন্বী শেমজিনখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৩ (ঐচএনএস): খুন্দ্রাকপম এসেমব্লি কন্সটিট্যু-এন্সীগী বি জে পিগী মীরেপ ওইননবা থৌরাংলিবা ইন্টেন্দিং কেন্দিদেট এলাংবম সোবিদনা মতম কুইনদগী শেন্বীদনা লৈরক্লবা এ সী অসিগী মনুং চনবা হঙোইপাৎ-টুগী মোলকোনগী লন্বী ঙসি শেমজনখ্রে হায়রি।

লন্বী অসি মতম চানা শেমজিন-বীদবনা মরম ওইরগা মায়কৈ অসোমদা লৈরিবা খুঞ্জাশিংনা লন্বী চখোক-চৎশিন তৌবদা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লদুনা লাকখিবনি।

এলাংবম সোবিদনা লন্বী অসি শেমজিনবীরকখিবদা মকেং দোলাইথাবী গ্রাম পঞ্চায়তকী উপ প্রধাণ দমারনা হায়, লন্বী অসি লৌরোক পন্থাগী মতমগা ওইবনা চখোক-চৎশিন্দা খুদোংচাদবা কয়া খুঞ্জাশিংনা মায়োক্লরকপনি। মীয়াম্না থেংনরিবা খুদোংচাদবা অৱাবশিং অসি উবীদুনা কিলোমিটর ৫রোম শাংবা লন্বী অসি নুঙ থাদুনা শেন্বীবগীদমক থাগৎপা ফোঙদোকখি।

### বি জে পি লম্লাই মন্দলনা লম-তূ শেংদোকখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৩ (ঐচএনএস): প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা গুজরাটকী কাসিদা হৌদোকখিবা কাসি বিস্বনাথ ধাম য়াত্রাগী খুদুং ইন্দুনা বি জে পি লম্লাই মন্দলনা শীন্দুনা ঙসি লম্লাইগী তোঙান তোঙানবা লাইশঙশিংদা চৎতুনা লম-তূ শেংবগী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে হায়রি।

বি জে পিনা খেন্নবা লাইনিংদা তোঙানবা মীৎয়েং থমদে হায়বা উৎতুনা শওম্বুং কবুইগী তিনকাও রাংৱাং কালুম কাই, লায়রম তাঙ্খুল ভিলেজগী চর্চ অমদি গ্বালতাবীদা লৈবা ইমা হাওরৈমা শমপুবী শঙলেনগী অকোয়বদা শীৎ-শেংবগা লোয়ননা লাই খুরুমখি।

থৌরম অদুদা লম্লাই এ সীগী অমত্তা ঙাইরবা বি জে পিগী ইন্টেন্দিং কেন্দিদেট কেঐচ ইবোমচা, লম্লাই বি জে পিগী প্রসিদেন্ট ঈ অমিতকুমার, সেক্রেটরি এল শ্যাম, তখেল জিপিগী প্রধাণ এম নিংথেম, শওম্বুং জিপিগী প্রধাণ এন ধনেশ্বর, পুংদোংবম জি পিগী হান্নগী প্রধাণ আই প্রেম, লোটস কেম্পেন কম্মিটি বি জে পি লম্লাই মন্দলগী চেয়রমেন এস ধনঞ্জয়নচিংবসু শরুক য়াখি। লম্লাই এ সীগী তোঙান তোঙান লাইফমশিংদা চৎতুনা লম-তূ শেংবগী পাঙথোকখিবা থৌরম অদুগা ইরোয়ননা লাইশঙগী লাইপু, চর্চকী পাষ্টরশিং অমদি লাই কম্মিটিগী মীওইশিংদা লেংয়ান ফী য়ান্দুনা ইকায় খুম্নবসু উৎখি হায়রি।

### মরী লৈনবশিংনা য়েংশিনবীয়ু: সেক্রেটরি

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৩ (ঐচএনএস): অন্দ্রো খুমন লৈকায়দা সীঐচ তুল্লচন্দ্র কৌবা মীওই লৈতে। পি দব্লিয়ু দি ওফিসলশিংনা অৱাবা পীবিগনু হায়না ওল অন্দ্রো ৱিমেন এন্দ চিলদ্রেন ৱেলফেয়র ওর্গনাইজেসনগী সেক্রেটরিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিদা, দিসেম্বর ৮, থাংজ নুমিৎতা পাউচে অসিগী অহানবা লামায়দা ফোঙখিবা পাউগা মরী লৈননা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী পি দব্লিয়ু দিগী এগজেক্যুটিভ ইঞ্জিনীয়ারনা লুচিংবা এসিষ্টেন্ট ইঞ্জিনীয়ার য়াওনা মীওই ৪/৫না নুমিদাংদা লাক্লগা ঈংনা-চিক্লা লৈমিন্নরিবা অন্দ্রো ৱার্দ নম্বর-৩ খুমন লৈকায়দা লৈরিবা চিংখাম কুল্লচন্দ্র অপোকপা সীঐচ লোইতো ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়াগী ভোটর আই দি নম্বর বি এস এস ০০১৫৩৩৯, পান কার্দ নম্বর জে ঈ জে পি এস ০০৭৯ জে অমদি অধার নম্বর ৯৩৭০৯৩৯৮৯৬৪৬বু মখোয়না নমথোক্লগা পুরকপা সীঐচ তুল্লচন্দ্রগী মিংদা ইবা চেরোল অমদা নমদুনা সীঐচ তুল্লচন্দ্র হায়না খূৎয়েক তৌহন্নবা হোৎনরকপদা য়াদবদগী ফজদবা ৱাহৈ-ৱাতা শীজিন্নরম্বদু অকনবা মওংদা য়ানীংদে। মরী লৈনবা ওথোরিটিশিংনা য়েংশিনবীয়ু লোয়ননা পি দব্লিয়ু দিগী মীওই খরনা সীঐচ কুল্লচন্দ্রবু সীঐচ তুল্লচন্দ্র ওন্থোক্লবা শীনবিরোইদবনি হায়রি।

---

SHREE SHREE GOVINDAJEE

MANIPUR POURANIK PARISHAD

অৱাবা ফোঙদোকচবা

হৌখিবা তাং ৬/১২/২০২১ ইং পোইনুগী ২/৩নি পানবা নিংথৌকাবা নুমীৎতা মণিপুর পৌরানিক পরিষদকী প্রসিদেন্ট ওইবিরম্বা অমসুং রেডিওগী আর্টিষ্টসু ওইবিরম্বা চহী ৯০ হেল্লবা শ্রী নিংথৌজম বাবু সিংহ মশাগী অনাবা অমদগী শৈজাংদা লৈবা মশাগী ময়ূমদা লৈখিদ্রে। ৱারীগী ওজা অসিনা লৈখিদবদা পরিষদকী মেম্বরশিংনা মিনিট ২ তুমিন্না লেপ্তুনা অৱাবা ফোঙদোকখি। ইমুং-মনুংগী অৱাবদসু শরুক য়াজরি।

অৱাবা ফোঙদোকচরিবা :-

**শ্রী মাইবম লুখোই সিংহ, সেক্রেটরি, মণিপুর পৌরানিক পরিষদ অমদি মেম্বরশিং**

HL-P/0913/14

**2 DAYSগী ওইবা WOMEN'S OPEN HOCKEY TOURNAMENT অমা পাঙথোকচগদৌরি**

Meiraa Bashikhong Imphal East না 2 days গী ওইবা Women's Open Hockey Tournament অমা Dt. 18th & 19th December, 2021 দা পাঙথোকচগদৌরি।

টুর্নামেন্ট অসি Manipur Hockey অমসুং হোক্কী য়ুনিট ইম্ফাল ইষ্টকা খূৎশম্নরগা Meiraa Women's Hockey Senior Players Bashikhong না শীন্দুনা চখজগনি। শরুক য়াগদবা টিমশিংনা December 17 ফাওবগী মনুংদা Form থাজিনবীবা য়াবীগনি।

অকুপ্পা মরোলশিংগীদমক্তা 9856108244, 8119885217 & 7005130330 দা পাউ ফাওনবা য়াগনি।

Sd/-

**MEIRAA WOMEN'S SENIOR HOCKEY**

HL-P/0917/14

**মপাম চাক্কৌবা য়ৈথোকচরে**

লাক্লিবা তাং ১৬/১২/২০২১ ইং, পোইনুগী ১৩নি পানবা শগোলশেন নুমীৎকী অয়ূক পূং ১০.৩০ তাবা মতমদা ঐখোয়গী ইচানুপা **বোনি** অমদি ইমৌনুপী **ননাওমচা**-অনীগী মপাম চাক্কৌবা থোক্লম্বা অদু মতম কক্তনা য়ৈথোকচরে।

খঙহঞ্জরিবশিং :-

নুপা ময়ূম - **সিনাম তোম্বীসনা সিংহ (মপা)**
**সিনাম ওংবী হৈস্নাম কল্পনা (মমা)**
নাওরেমথোং খুলেম লৈকাই, বোল লম্পাক মনাক, ইম্ফাল ৱেষ্ট।

নুপী ময়ূম - **থৌনাওজম কিশোরচান্দ সিংহ (মপা)**
**থৌনাওজম ওংবী কোইজম রাজলক্সমী দেবী (মমা)**

HL-P/0912/14,15

নোংমৈবুং নম্বুল চুথেক।

**BANK PASSBOOK LOST**

I have lost SBI, Imphal Secretariat Branch Passbook bearing A/C no. 20298906898 on the way between Keishampat and Yaiskul on 25/11/2021. Finders are requested to handover the same to the undersigned.

HL-P/0911/14

Sd/- **Rajkumari Pushpa Devi**

**/পূক্তা গ্যাষ্ট্রিক কারগা পূক কংখৎলগা পূক চপ তিংখৎলকপা, চাবা তুমদবা, চানিং-থক্লিংবা পোক্তবা, কোক লুম্বা, কোক চিকপা, ঙকশম মরী নাবা, হকচাং মশা পূম্বা চিকপা-নাবা, শয়েং অনীমক শিথবা-নাবা, য়েৎকী খোঙ নাম্মা চিকপা-নাবা তৌবা ফহনবগী ওজা Zia-Ul-Haque পু থাগৎচরি।**



ঐগী হকচাংদা গ্যাষ্ট্রিকনা য়াম্না কন্না নাদুনা পূক্তা গ্যাষ্ট্রিক কারগা পূক কংখৎলকপা, পূক তিংখৎপা, গ্যাষ্ট্রিক অদু মথক্তা চেনখৎলগা থবাক নাবা অমদি শ্বর হোনবা ৱাবা, খনাউ ইথন্তা থনগৎলগা লৈবগুম তৌবা, চানিং-থক্লিংবা পোক্তবা, চাবা তুমদবা, কোক চিকপা, কোক লুম্বা, ফন্বী শোনবা, তাঙ-তাঙ চিকপা-নাবা, হকচাং অমদি পাঙ্গলদা য়াম্না শোনবা, পোত্থারগতা লৈনিংবা, করি অমত্তা শুনিং-চৎনিংবা পোক্তবা, সুম চুম্না লৈরগসু হকচাং অসি য়াম্না ৱাবা, পূকচেপ নাবা, পূকচেপ শাবা, পূক মনুংদা প্রিদিক-প্রিদিক খোংলগা য়াম্না নুংঙাইতবা, ঙকশম মরী নাবা, য়েৎকী খোঙ নাম্মা মরক-মরক্তা চিংলকপা, অমুকসু খোঙ চিংলকপা অদু ফখিবা, খোঙ হান্বা য়াদবা, খোঙ হান্বা তারগসু হামেং মথিগুম্না মরূ অমা অনীদং হান্নগা তোকপা মরক-মরক্তা খোঙ হান্বা মতমদা ঈ য়াওরকপা অমদি অমাংথোঙগী অকোয়বদা মরেং-মরেং চৎলগা হাক্কৎচবা, খোঙয়া শাবা তৌরম্বা অদু ষ্টেট অমদি নেসনল এৱার্দ ফংলবা **Regd. No. 1591/SR/IW/2019, MD. Zia-Ul-Haque Phusam ☎ 8414825323, 9774274439** দা চৎতুনা লায়েংজরুবদগী ঐগী হকচাংদা লৈরম্বা অনাবশিং অদু মপূগী থৌজালদগী মপূং ফানা ফরে। মরম অসিনা ওজা Zia-Ul-Haque পু থাগৎচরি।

লায়েংফম :1. Kekru Villa North AOC, Opp. Kekru Pat, Imphal (10 a.m. to 5 pm.)
2. Mayang Imphal, Konchak Makha Leikai. (6 am to 9 am.)
3. Yairipok Bamon Leikai Kabastan Road (Only Wed. & Sat. Open) (10 a.m. to 4pm.)

*থাগৎচরিবা :* **M. Ratna Devi**
Langthabal

HL-B/7295/14

**/ LOAN** **/ LOAN**

**LOWEST INTEREST**

Kakching and Thoubal District Area Only.
1) Business Loan 2) Daily Installment Loan
3) Vehicle Loan (Two Wheeler only)
4) Piggery Loan 5) Poultry Loan

**JOB NEWS**

1) Collector 5 no. - 10 Passed (Boys & Girls)
2) Reception 1 no. - 12 Passed (Female Candidate only)
3) Loan Recovery Officer 3no. Graduate

Last date of form submission - 15/12/2021
Interview date - 17/12/2021
Office hour - 10 am to 4 pm.

# 8575291124
8837318822
8575836481

Sd/-
**Office of the Lainingthou Pvt. Ltd.**
Head Office Thoubal & Kakching Branch

HL-P/0889/11/12-10/01

**/ REGISTRATION CERTIFICATE LOST**

I have lost my Registration Certificate of B.A. Examinatioin of 2017 bearing Regd. No. 15790106 issued by Manipur University Canchipur on the way between my residence and Paona Bazar on 5th December 2021. Finders are requested to handover the same to the undersigned.

Sd/- **Durva Ringkangmei**
Kanglatongbi, P.O. & P.S. Sekmai, I/W
# 8732016414

HL-P/9504/14

**/ IDENTITY CARD LOST**

I have lost my Identity Card of Manipur Police CID (Security) bearing Constable No. 1818061 on the way between Keinou Makha Leikai and Ngaikhong Khunou on 10th December 2021. Finders are requested to handover the same to the undersigned.

Sd/- **Ngangom Naocha Singh**
Thinungei Mayai Leikai
# 8787687392

HL-P/9583/14




Order a fresh basket of seasonal green vegetables and relish the freshest harvest from the farms of Manipur!

To Order

Call or WhatsApp

8131818744

Or

Scan

HL-P/0915/14-24

**URGENT JOB NEWS**

Government Regd. No. Kj/65(com.estt) of 2016

**(First come & First Chance)**

| Sl. | Name of Post | | Salary | Post | Qualn. |
|---|---|---|---|---|---|
| 1. | **Direct Selection and Joint of Airlines & Airport Post Vacancy in IGI New Delhi/Bangalore & Guwahati. (Fresher/Expt. Semi Govt.)** | | | | |
| | i. CTC (HR) (M/F) | | 2,40,000-Facty. | 20 | G/M |
| | ii. CSA Officer/Trainee Executive (M/) | | 40,000-above | 13 | G/M |
| | iii. G-CSA Staff/HMS-Staff (M) | | 20,000-above | 40 | XII/G |
| | iv. BPO Team Leader/Station Manager (M) | | 52,000-above | 30 | Degree |
| | v. Ground Instructor/Flight Engineer (M) | | 90,000-above | 30 | Degree |
| | vi. Security Supervisor/Flight Attendant (M) | | 46,000-above | 30 | XII/G |
| | vii. CO-Pilots/First Officer/Commander (M) | | 75,000-above | 45 | XII/G |
| | viii. ANM/GNM/DMLT/Paramedi/B.Sc./M.Sc. | | 25,000-above | 20 | XII/G |
| | ix. Ground Loader/Cargo Loader (M) | | 20,000-above | 40 | XII/G |
| | x. Air Hostess/Cabin Crew (F) | | 65,000 – above | 20 | XII/G |
| 2. | **Banking Staff Requirement of Nationalized Bank.** | | | | |
| | i. Banking Sitting Staff (M/F) | 25 yrs | 18,000– above | 10 | G |
| | ii. Account Opening Staff (M/F) | 26 yrs | 14,000– above | 10 | G |
| | iii. Loan Officer Staff (M/F) | 30 yrs | 14,000– above | 15 | G |
| | iv. Credit Card Staff (M/F) | 28 yrs | 8,000– above | 10 | XII/G |
| 3. | **Urgent in Imphal Post Vacancy.** | | | | |
| | i. Office Reception (F) Micro Finance RO | | 5,000 – above | 8 | X/XII |
| | ii. Security Guard/Ladies Guard (M/F) | | 6,000 – above | 20 | VIII/X |
| | iii. Ex-Servicemen/Security Supervisor (M) | | 8,000 – above | 20 | VIII/X |
| | iv. Security Gunman Guard (M) | | 10,000 – above | 10 | VIII/X |
| 4. | **No Deposit Work at Imphal** | | | | |
| | i. Officer Managerial Staff (M/F) | | 8,000 – above | 100 | X/XII |
| | ii. Chowkidar & Helper (Couple) | | 10,000 – above | 10 | VIII/X |
| | iii. Local Driver (407 TATA/D.I.) | | 10,000 – above | 10 | VIII/X |
| | iv. VIP Driver/Car Driver/Pump Man/Labour | | 7,000 – Above | 10 | VIII/X |
| 5. | **Direct Selection of Merchant Navy (BP/LILY Shipping) in Mumbai.** | | | | |
| | i. GP Rating Officer | | 80,000 – above | 15 | X/XII |
| | ii. Diploma in Nautical Science | | 1.8 L – 2.80 L | 15 | G/M |
| | iii. B.Sc. Nautical Science | | 1.8 L – 2.80 L | 15 | G/M |
| | iv. B. Tech in Marine Engineering | | 1.8 L – 2.80 L | 15 | G |
| | v. B. Tech in Naval Architecture | | 1.8 L – 2.80 L | 15 | G |

Date of Submission : 21-12-2021
Date of Interview : 22-12-2021
Pliz Contact : +91 9774361669 / 8131087993
Office Hour : 10.00 a.m. to 3.30 p.m.

*Please Contact & Concern*
**Emoinu Job Consultant**
Keishampat Opp. CCpur Bus Parking
Near Poknapham Press Gate

HL-P/0839/6,9,14,16,20